# মণিপুর বিধান সভাগী অহানবা বজেট সেসন লোয়শিনখ্রে

## অনৌবা স্পিকরগী চাংয়েং

*থৌদাং পাউমীদগী*

*ইম্ফাল, মার্চ ২২ঃ* চৎলিবা থা অসিগী ১৯ দগী হৌনা নুমিৎ মরিনি চুপ্পা চত্থরকখিবা ১০ শুবা মণিপুর বিধান সভাগী অহানবা বজেট সেসন ঙসি লোয়শিনখ্রে। মণিপুরগী খ্বায়দগী নহা ওইরিবা খুন্দ্রাকপম কেন্দ্রগী এমএলএ থোকচোম লোকেশ্বরনা স্পিকর ওইদুনা চত্থখিবা বজেট সেসন্দা ওবিচুরি রিফরেন্স অমা, ষ্টার ক্বেসন অনি, কম্মিটি রিপোর্ট অমা, হাওসতা থমখিবা চেরোল মরি অমদি সরকারনা পুথোকখিবা বিল অনি পাস তৌখি।

ঙসি অরোয়বা নুমিৎকী অয়ুক্কী মীফম লোয়শিনখিবগা মখা তাবা এজেন্দা লৈতবদগী নৌনা খনখিবা স্পিকর টিঐচ লোকেশ্বরনা হাউস অদু সাইনেদাই এদজোর্ন তৌরে হায়না লাওথোকখি।

হন্দক্কী মীফমদুদা মণিপুরগী চিফ মিনিষ্টর ও ইবোবীনা চৎলিবা চহি ২০১২গী ওইনা থা মরিগী পুথোকখিবা ভোট ওফ একাউন্ট মণিপুর বিধান সভানা পাস তৌখিবা অদুনি। লুপা ক্রোর ৩০৬৪,০১,২৪,৬৬৬ কী শেলফম হাওসনা য়েৎনবা অমত্তা লৈতনা পাস তৌখি। অমরোমদা ফাইনান্সকী চার্জসু পুরিবা চিফ মিনিষ্টর ও ইবোবীনা দি মণিপুর এপ্রোপ্রিয়েসন (নম্বর ৱান) বিল, ২০১২ অমদি দি মণিপুর এপ্রোপ্রিয়েসন (নম্বর টু) বিল ২০১২ মণিপুর বিধান সভাদা পুথোকখিবদুনি।

## চন্দ্রনদি প্রোজেক্টকীদমক তাঙ্কক অনিরক্তা
## লুপা ক্রোর ১.২০ কায়থোকখ্রে

-চিফ মিনিষ্টর

*থৌদাং পাউমীদগী*

*ইম্ফাল, মার্চ২২ঃ* হৌজিক হৌজিক শেমগৎলিবা চন্দ্রনদি প্রোজেক্টকীদমত্তা তাঙ্কক অনিরক্তা লুপা ক্রোর ১.২০ কায়থোকখ্রে হায়না মণিপুরগী চিফ মিনিষ্টর ও ইবোবীনা ঙসি মণিপুর বিধান সভাদা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি মণিপুর বিধান সভাদা লংথবাল কেন্দ্রগী এমএলএ করাম শ্যামনা হংলকপা ৱাহংগী পাউখুম পীরদুনা আইএফসিদি গী চার্জসু পুরিবা চিফ মিনিষ্টর ও ইবোবীনা হায়, চন্দ্রনদি প্রোজেক্ট অসিগী অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা ২০০৮-২০০৯ দা লুপা লাক্ষ ৫০ অদুগা অনিশুবা তাঙ্কক্কী ওইনা ২০০৯-২০১০ দা লুপা লাক্ষ ৭০ সরকারনা সেঙ্কসন তৌখ্রে।

২০০৮-২০০৯ গী ওইনা থবক অসি এল ইরাবোত অমদি এমদি সহিদ ফজল্না অদুগা ২০০৯- ২০১০ গী ওইনা এল ইরাবোত, বোরচান্দ কোঞ্জেংবম, আরকে চিংলেনসনা অমদি এন জয়চান্দ কৌবা মীওইশিং অসিনা কন্ট্রেক্টর ওইনা থবক শুখি। ২০০৮-২০০৯ গী ওইনা লুপা লাক্ষ ৫০ অমদি ২০০৯-২০১০ গী ওইনা লুপা লাক্ষ ৭০ কায়থোকখ্রে।

প্রোজেক্ট অসি পায়খৎপগী মরুওইবা পান্দমদি মণিপুর য়ুনিভর্সিটি কমপ্লেক্স অমদি অতৈ ওফিসশিং অমসুং প্রাইভেট ইন্সটিটুসন কয়া লৈরকপনা নোংজু থা মতমদা হায়রিবা মফম অসি ঈশিং মৌখৎলকপদগী মদু থিংননবা চন্দ্রনদিদগী লৈরিবা ফিভম অসি শেমগৎপগী তঙায়ফন্দবা লৈবদগী প্রোজেক্ট অসি পায়খৎখিবনি হায়খি।

সপ্লিমেন্টরি ওইনা হংলকপা ৱাহংগী পাউখুমদা শ্রী ও ইবোবীনা হায়, প্রোজেক্ট অসি লাকপদগী চজিং লৌকোলদা ঈশিং থুগ্লে হায়রিবসি মতৌ করম তৌনা থোক্লিবনো। নঙ্কুল তুরেলগী ঈশিং মৌখৎলকপা লৈরবস মদু থিংনবা করি তৌবা য়াবগে হায়বদু ইঞ্জিনিয়ারশিংগা তান্নরগা য়েংশিনগনি হায়খি।

## সেন্ট্রেল স্পোন্সর স্কিমগী ফন্দ
## লান্না শীজিন্নখিবগী চিংনবা লৈ

-ডা: ইবোহলবী

*থৌদাং পাউমীদগী*

*ইম্ফাল, মার্চ২২ঃ* ইন্দিয়া গভর্নমেন্টনা পায়খৎলিবা সেন্ট্রেল স্পোন্সর স্কিমগী শেলফমশিং মণিপুর সরকারগী তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্ট খরনা লান্না শীজিন্নখিবগী চিংনবা লৈরে। অসিগুম্বা স্কিমশিং পায়খৎপদা মতম চানা থবক লৌখৎসি হায়না ওপোজিসনগী এমএলএ ডা: আই ইবোহলবীনা ঙসি মণিপুর বিধান সভাদা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি মণিপুর বিধান সভাদা ভেটেরিনরি দিপার্টমেন্টনা আর কে ভি ৱাই স্কিমগী মখাদা বেনিফিসরি ২৯৯ দা ওক মচা পীনবা লুপা লাক্ষ ৫০ হায়দৎখিবা লৈরবরা হায়বগী মতাংদা কোল্লিং এটেন্সন মোসন অমা পুখৎলদুনা ডা: ইবোহলবীনা হায়, ইন্দিয়া গভর্নমেন্টকী মিনিষ্ট্রি ওফ এগ্রিকলচরনা রাষ্ট্রিয়া কৃষি ভিকাস যোজনাগী মখাদা মণিপুর সরকারগী ভেটেরিনরি দিপার্টমেন্টনা বেনিফিসরি ৪১২ খনগদবদা ২৯৯ দা হহুরগা ওক মচা পীনবা লুপা লাক্ষ ৫০ হাইহৎখ্রে হায়বগী ৱাফম পাউ চেশিংদা লাক্লে। মসিগী পাউ অসি চুম্লবসু য়াই, চুমলমদবসু য়াই। অদুবু মরুওইরিবা অসিগুম্বা স্কিম কয়াগী শেলফমশিং বেফিসরিশিংদা য়ৌহন্দবা অসিনি হায়খি।

মমাংদা অতোপ্পা দিপার্টমেন্ট খরদসু অসিগুম্বা ৱাথোক কয়া লৈখ্রে। এমওবিসি দিপার্টমেন্টনা য়েন্নাও মচা পীগনি হায়দুনা বেনিফিসরি লিষ্ট ফোঙখ্রগা য়েন্নাও, ঙা মচা অমদি সিআই সিট ফংখিদবা কয়া লৈখ্রে। অসিগুম্বশিং থোকহনবিদনবা হোৎনবীয়ু হায়না সভাদা থমখি।

মোসন অদুগী পাউখুম পীরদুনা ভেটেরিনরিগী চার্জসু পুরিবা চিফ মিনিষ্টর ও ইবোবীনা হায়, আর কে ভি ৱাই স্কিমগী মখাদা মণিপুর সরকারগী এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টকী খুখাংদা ভেটেরিনরি দিপার্টমেন্টনা লুপা ক্রোর অমা ফংখি। মদুগী মনুংদা লুপা লাক্ষ ৫০ না পিগরি দিভলপমেন্ট প্রোগ্রামগী মখাদা মোইরাং মনাক্কী তরুংপোকপীদা ওক মচা ৫০ থম্বা চনগদবা পিগরি সেদ অমা শাগৎপগী থবক খুমাং চাওশিন্না চংশিল্লি। অদুগা বেনিফিসরি অমমমদা ওক মচা মরি মরি পীগদবা স্কিম অসিগী য়ুনিট কোষ্টনা লুপা লিশিং ১৭নি। শেলফম অসিগী চাদা ৫০ না বেনিফিসরিনা পুথোক্কদবনি হায়খি।

হৌজিক ওক মচাশিং লৈনবগী থৌরাং তৌরি। মসিদা ফন্দ লান্না শীজিন্নখিবগী ৱাফম লৈতে হায়না ফোঙদোকখি। মোসন অদু খন্নবদা শরুক য়ারদুনা এমএলএ জয়কিষন্না হায়, অসিগুম্বা সেন্ট্রেল স্পোন্সর স্কিম কয়া অসি থবক ফংদ্রিবা নহারোলশিংদা কানগদবা ওইগদবনা থবকশিং অসি পায়খৎপদা মতম য়ারিবমখৈ চোঙ্হন্দনবা আপিল তৌখি। ২০০৯-২০১০গী স্কিমগী ওইনা য়ুটিলাইজেসন সার্টিফিকেট পীখ্রে হায়রিবসিনদি মদুগী শেলফম শীজিন্নখ্রে হায়বা ওইগনি হায়না পনখি।